# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-03-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নরানসেনা অমসুং সুনুসিফাইগী খুলগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা এক্স-কেলিভর রাইফল অমা, করবাইন মেছিনগন অমা, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রিগী স্নাইপ্পর রাইফল অনি, সভেন পোইন্ট সিক্সি ফাইব এম.এম. পিষ্টোল অনি, ইনসাস এল.এম.জি. অনি, নোংমৈ কয়ামরুম য়াওনা অতৈ পোকখায়বা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাবগাই বাফেলো ফার্মগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, চাইনিজ গ্রেনেদ অহুম, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স ইনসাসকী কাপ্পা য়ারিবা মরু তরুক, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এ.কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১১ য়াওনা অতৈ পোকখায়বা য়াবা পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মপিথেল রিটচকী কামু খুলদগী কিলোগ্রাম ১১ লুম্বা আই.ই.দি. অমা, পম্পী তরুক য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাইজিং ময়াই লৈকাইদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফাখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মন্ত্রি পুখ্রিদগী প্রিপাক (প্রোগ্রেসিপ) কী মীওই অমসু ফাবা ঙমখি। জিলা খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকাইদগীসু কে.সি.পিগী মীওই অমা ফাখি।

**ককচিং (এল)ঃ** সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমসুং ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ককচিং জিলানা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা সরকারগী ওফিস, তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং, পাব্লিক সেক্তর য়ুনিট, লন্নাইগী লুপশিং, হোস্পিতাল, শান্ন-খোৎনবগী ইন্সটিট্যুসন য়াওনা ওফিস খুদিংমক্তা সেক্সচুয়েল হরাজমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱাকপ্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) পোষ্ট এক্ট-২০১৩ গী সেক্তর ফোরগী মখাদা ইন্টরনেল কমপ্লেন্স কমিতি (আই.সি.সি) শেমবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী এস.দি.ওশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিগী কর্ম্মচারিশিংনা ঙরাং জোনেল এদুকেসন ওফিস অমসুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল সেনাপতিগী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংগী ফিভম চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা প্রধান মন্ত্রিগী পি.এম. পোসন মা (মিদ ডে মিল), স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং স্কুলশিং মতৌ করমা চল্লাইরিবগে হায়বগী মতাংদা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী কর্ম্মচারিশিংগা স্কুলগী ওজাশিং অমসুং মেনেজমেন্ট বোর্ডকী মীহুৎ কাংবুগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মখা তানা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অসি লেমহৌরিবা স্কুলশিংদসু চৎকনি হায়রি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কো-ওর্দিনেসন কমিতিনা শিনদ্না নেসনেল তোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী দি.সি. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এন.সোখোনাম বাইতেনা হায়-ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা নিশাগী ইপাক্তা লুপখিদনবা মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীবদা অফবা মহৈ মশিং তাকপী

তম্বীবা য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা মখা তানা জিলা অসিগী মহৈ মশিংগী বিভাগশিংনা মহৈরোইশিংদা নিশা শিজিন্নবগী মাংজবা কয়াগী মতাংদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

**জেদিয়ু (এল)ঃ** ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন সিংহবু জনাতা দল য়ুনাইটেদ মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্টকী ফম ঙরাংদগী পুবা হৌরে।

মহাকপু প্রসিদেন্টকী ফম পুননবা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনা খঙহল্লকখিবনি।

**সোর্ট ফিলম (এল)ঃ** বঙ্গলাদেশতা পাঙথোকপা ক্রাউন ইন্তরনেসনেল ফিলম এৱার্দস, সিফা বঙ্গলাদেশতা মণিপুরগী সোর্ট ফিলম- দা হেবিটনা বেষ্ট স্ক্রিপ অমদি বেষ্ট দিরেক্তর মনা লৌবা ঙমখ্রে।

সোর্ট ফিলম অসিগী দিরেক্তর হেমচান্দ নিংথৌজমনা হায়-ফিলম অসি মমাংদসু নেসনেল অমদি ইন্তরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিলম ফেষ্টিভেলশিংদসু মনা কয়া ফংলকখিবা লৈরে।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী জিম খানাদা বেদমিন্টন মেট কোর্ট শঙ্গাবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

শান্ন-খোৎনবা অমসুং হকচাং ফনা লৈবা হায়বা ৱাখল্লোনদা বেদমিন্টন কোর্ট অসি শেমগৎপনি। থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার শর্ম্মা, দিপ্যুতি দিরেক্তর, দেন্টেল কলেজ এন্দ কলেজ ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপাল য়াওনা অত�ৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**স্কিম ঃ** কেন্দ্র সরকারনা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং শাবদা হেন্না পুকিং থৌগৎনবা অমসুং মপানদা পোৎ-চৈ থাদোক থাজিনগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা

ইলেক্ট্রোনিক্স কমপোনেন্ট মেন্যুফেকচরিং স্কিম চৎনহন্নবা অয়াবা পীরে। মসিগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ২২ লম অসিদা থাদরগনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়-স্কিম অসি থবক্তা ওন্থোকপনা লৈবাক অসিগী নহা লিশিং ৯১ দা হকথেংননা থবক পীবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহি তরা অসিদা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎ-চৈ শাবা অমসুং পুথোকপগী খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লি।

শ্রী বৈসনোনা হায়-লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক সরকারনা লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা হার ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২০ শুবা ইপিসোদ হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোহবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ম্যান্মারদা য়ুহা হাবদা মীওই ১০০ গী মথক্তা লৈখিদবা, এন.আর.সি. মতুং মনিপুরদা দিলিমিটেসন চথবীয়ু হায়না আর.পি.আইনা অমিত সাহদা তকশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়ান্বগী মরুওইবা ওইরি।

পোকফম পাউ-চেদা-য়ুহা হাবদগী থাইলেন্দ অমসুং ম্যান্মারদা চাউনা মীশি মীনা থোকখ্রে, য়ুম কৈ কয়া উফুল তানা নিংখায়খ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীরদুনা ঈচেল এক্সপ্রেস, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং সনা লৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কংগ্রেসকী ৱাখল্লোন দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিংনা মীয়ামদা য়ৌহনগদবনি হায়না কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গেনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউ-চেদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী ওপরেসনদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.এস.সি.এন.-জি.পি.আর.এনদা টেক্স থিদবা হায়না লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিলনা ৱারেপ লৌখিবগী পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোল্লী থাবগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউরবসু থাবদি লেপত্রি হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা এন.আর.সি. পাঙথোক্লবা মতুংদা দিলিমিটেসন তৌবিয়ু হায়না আর.পি.আইনা অমিত সাহদা তকশিনখিবগী পাউ পোকফম অমসুং হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা রাজ্য অমসুং কেন্দ্র সরকারগী স্কিমশিংগী মতাংদা

ওইরিবা ফিভম এম.পি. বিমোল অকোইজমনা য়েংশিনখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিগী কর্ম্মচারিশিংনা জিলা অসিগী স্কুলশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনিশুবা নাগা মোরুংগী থৌরম চান্দেলদা পাঙথোকখিবগী পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।